# ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অনৌবা সিজন হৌখ্রে, অর্সেনেলনা ফুলহাম থোইখ্রে




লন্দন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অনৌবা সিজন হৌখ্রে। অহানবা মেচতা অর্সেনেলনা ফুলহামবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি ফুলহামনা য়ুম্বু ওইদুনা ক্রাবেন কোটেজ ফুটবোল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী লীগ মেচ অদু হৌরকপদা অর্সেনেলনা ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা অর্সেনেলগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা এ লকাজেটনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ফুলহামগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী লেমহৌবা পুংখাই হেনবা মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। মখোয়গী এটেম্পশিং অদু অরেম্বা তাখি। হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা অর্সেনেলনা মখা তাবা এটেক অমা তৌশিনখি। ৱিল্লিয়ননা পীশিনখিবা বোল অমা টিমমেট গ্রেবিএলনা মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, অর্সেনেল ফুটবোল ক্লব অসি মমাঙগী সিজনদা প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। লোয়নবা লীগ অসিগী পুৱারীদা ক্লব অসিনা টাইটল অহুল্লক লৌবা ঙমখি। টাইটল খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা ক্লব অদু মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা ১৩ লৌরগা ওইরি। মথংদা চেলসিনা ৫ লৌরি। মেনচেষ্টর সিটিনা ৪ অদুগা মমাঙগী চেম্পিয়ন লিভরপুলনা অমখক লৌবা ঙল্লি। টাইটল অমমম লৌবা ঙম্বা ক্লব অনী অদুদি লৈচেষ্টর সিটি অমসুং ব্লেকবর্ন রোভর্সনি। ঙসি শান্নখিবা ফুলহাম মমাঙগী সিজনদা য়াওবা ঙমখিদে। ইংলিস চেম্পিয়নশিপ ফুটবোলদগী প্লে-ওফতা মায় পাক্লক্তুনা প্রামোসন ফংলকপনি।

পাঞ্জল অনী মাংজিল থাবা ঙমখ্রবা অর্সেনেলগী মায়কৈদগী মখা তাবা এটেক অমদা ৱিল্লিয়ননা অমুক্কা হন্না য়াম্না ফজবা পাস পীরকপদা টিমমেট পি ওবামেয়াংনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

# জর্মনিগী সিজমুন্দ অমসুং রসিয়াগী বোনারিভানা নুপীগী দবলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে, নুপাগী ফাইনেলদা থিয়ম অমসুং জ্বেরেব থেংনরগনি



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): জর্মনিগী লোরা সিজমুন্দ অমসুং রসিয়াগী ভিরা বোনারিভানা চহী অসিগী য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম অমসুং জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা জর্মনি অমসুং রসিয়াগী প্যের অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ প্যের চাইনাগী জু য়িফান অমসুং য়ু এস এগী নিকোল মেলিসরবু ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থীবা পীখি।

নীংশিংবা য়াই, নুপীগী দবলসকী সেমীফাইনেলদা চহী অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রসিয়া অমসুং জর্মনিগী প্যের অদুনা রসিয়াগী প্যের অনা ক্লিনকোভা অমসুং ভেরোনিকা কুদেরমেটোভাবু ৫-৭, ৬-৩, ৭-৫দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা রন্নর্স অপ তাখ্রবা য়ু এস এগী নিকোর মেলিসর অমসুং চাইনাগী জু য়িফাননা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা য়ু এস এগী প্যের এসিয়া মুহম্মদ অমসুং টেলর টাউনসেন্দবু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬(৯-৭)তা থোইরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু লম্বা য়াম্না মান্না শান্নখি। অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা প্যের চাইনাগী জুয়িফান অমসুং য়ু এস এগী নিকোল মেলিসরগী সার্ভিস গেম অমা জর্মনিগী লোরা সিজমুন্দ অমসুং রসিয়াগী ভিরা বোনারিভানা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা খুদোংচাবা হেনখি।

অহানবা সেট অদু জর্মনি অমসুং রসিয়াগী প্যের অদুনা ৬-৪দা থোইরগা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেচ অদু সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন অদু বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমসুং বেলারসকী আরিনা সবালেনকানা লৌবা ঙমখিবনি। অদুবু হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন প্যের অদু ক্বাটর ফাইনেলদা লৈহৌখি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেট শান্নবা হৌরকপা অদুদা সেট অমা শোথরবা য়ু এস অমসুং চাইনাগী প্রের অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈরিঙৈ অহানবা সেটকুম্না ভিরা বোনারিভা অমদি লোরা সিজমুন্দনা সার্ভিস ব্রেক অমা ফংবগা লোয়নবা ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লুনা ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি অনীশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম অমসুং ৫শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেবনি।

দোমিনিক থিয়মনা মহাক্কী সেমী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অদুগী ৩শুবা সিদেদ দানিল মেদবেদেবপু ৬-২, ৭-৬(৯-৭), ৭-৬ (৭-৫)দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২০শুবা সিদেদ ওইরিবা পাব্লো কারিনো বুষ্টাবু অহানবা সেট অনী শোথরল্লবা মতুং থংনবা সেট ৩ মায় পাক্লুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লকপনি।

জ্বেরেবনা সেমী ফাইনেল অদু ৩-৬, ২-৬, ৬-৩, ৬-৪, ৬-৩দা থোইরগা হয়েং দোমিনিক্কা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল লম্বা তৌরগনি।

# মণিপুরদগী সাপম কেনেদি অমসুং টেকচম রঞ্জিতা খল্লক্লে






ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মণিপুরদগী রেফরি অনি সাপম কেনেদি অমসুং টি রঞ্জিতাবু কুমজা ২০২১গী ফিফা পেনেলগী নোমিনেসন তৌগদৌরিবা অদুগী মাংওইননা এ আই এফ এফনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিটনেস টেষ্ট শরুক য়াননবা খল্লক্লে হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ফিটনেস টেষ্ট অদু ওক্টোবর ১০গী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি। রেফরিশিং অদুনা ওক্টোবর ৯দা থুংলরবা মতুং টেষ্ট অদু য়াওবা লোইরগা ওক্টোবর ১১দা হনখিগদবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহীসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদু কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চ থাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# অপুনবা লুপ্তগী তোক্লগা সী এম মিটতা পুন্না শৌগৎলগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): সরিৎ-সরাক এসোসিএসন মণিপুর অমদি থাঙ-তাগী লুপশিংগী ওইবা অপুনবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লাংলোন লুপ্তগী তোক্লে। চীফ মিনিষ্টর মার্সেল আর্টতা পুন্না শৌগৎমিন্নরগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱাফম অসি সরিৎ-সরাক এসোসিএসন মণিপুর এসঐচ ইবোমচানা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকপনি। ঙসি সরিৎ-সরাক এসোসিএসন মণিপুর অমদি তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তাগী লুপশিংগী ওইবা অপুনবা মীফম অদুনা খন্নখিবদা অপুনবা হুইয়েন লানলোং লুপকী মায়কৈদগী সেপ্টেম্বর ৪দা ফমখিবা মীফম অদুগী ৱারেপ্পা লুপ অদুদা য়াওরিবা অতোপ্পা থাঙ-তাগী লুপ অমত্তনা অতোপ্পা লুপ অমত্তদা য়াওবা য়াদবা হায়বা ৱারোল য়াওরকখিবা অমদি ওইরক্কদবা ফিভম কয়া য়েংলগা সরিৎ-সরাক এসোসিএসন মণিপুরনা অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লুপ্তগী তোকপগী ফিরেপ লৌখিবনি।

লোয়নবা ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা থাঙ-তাগী লুপ ২০না খুৎয়েক পীদুনা অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লুপ্তগী তোক্লে। লোয়নবা চীফ মিনিষ্টর মার্সেল আর্টতা পুন্না শৌগৎমিন্নবা হায়না ৱারেপ লৌরে হায়খি।

# য়ুম্বু ইংলেন্দগী বেটচমেন সাম বিল্লিংসনা লৌখিবা রন ১১৮ অরেম্বা তাখ্রে, ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৯দা অহানবা মেচ থোইবা ঙমখ্রে

মেনচেষ্টর, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী টুরদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ঙরাং অহানবা ৱান দে মেচ শান্নবদা য়ুম্বু লৈবাক্কী সাম বিল্লিংসগী রন ১১৮ অরেম্বা তাখ্রে। মেচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৯দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অপিবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ২৯৪ লৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী হৌরকপদা ফিভম খরা শোকখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নর রন ৬তা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন অরোন ফিঞ্চসু রন ১৬তা আউট ওইখি।

অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াগী মিদল ওর্দর বেটচমেনশিংনা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙল্লকখিবদগী অচৌবা স্কোর অমা থম্বা ঙমখি। অহুমশুবা বেটচমেন মার্কস ষ্টৈইনিস অমসুং লাবুসেঙ্গনা অপুনবা স্কোর ৮০ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। ষ্টৈইনিস রন ৪৩দা আউট ওইখি। মহাক্কী তুং লাবুসেঙ্গসু রন ২১দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর ১০৩ লৈখি।

ক্রিজতা নৌনা চংলকখিবা মিটচেল মার্স অমসুং এলেক্স কেরিগী পার্টনর্সিপ রন ২০ খক হাপচিনবা ঙমখি। কেরি রন ১০ লৌরম্লবা আউট ওইখি। ৭শুবা বেটচমেন গ্লেন মেক্সৱেল অমসুং মিটচেল মার্সনা য়াম্না মরু ওইবা ৬শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ শেমদুনা রন ১২৬ হাপচিনবা ঙমখি। স্কোর বোর্দতা অপুনবা স্কোর ২৪৯ শুরকপদা মেক্সৱেল রন ৭৭তা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৫৯ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

মখা তারকপা বেটচমেনশিং অচৌবা স্কোর তৌবা ঙমদ্রবসু মিটচেল মার্স রন ৭৩ লৌবা ঙমখি। মহাক ৪৭শুবা ওভরদা আউট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৯৪ লৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী জোফ্রা আর্চর অমসুং মার্কৱুদনা ৱিকেট ৩/৩ লৌদুনা ফজবা ঙমখি। অদুগা অদিল রসিদ অমসুং খৃস ৱোক্স মথং শীৎনা ৱিকেট ২ অমসুং ১ লৌখি।

মেচ অদু মায় পাক্লনবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী রন ২৯৫গী টার্গেট লৈখি। অদুবু ওর্ভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৭৫ খক লৈখিবদগী মেচ অদু মখোয় রন ১৯দা মায়থীবা নংখি।




ইংলেন্দগী ইংন্নিস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা শুপ্পগী রন ১৩ শুরকপদা বেটচমেন অনী আউট ওইখি। ওপনর জেসন রে রন ৩ খক লৌরমখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা জো রুটসু শুপ্পগী রন অমখক লৌরম্লবা আউট ওইখি।

কেপ্টেন ইয়োন মোর্গন অমসুং ওনর জোনি বার্ষ্টোনা ইংলেন্দগী ফিভম শোকচিল্লবা ইন্নিংস অদু পুখৎনবা কন্না হোৎনখি। রন ৪২গী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা অপুনবা স্কোর অদু ৫৫ শুহনখি।

মোর্গান রন ২১দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা জোর্স বটলর শুপ্পগী রন ১খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী সাম বিল্লিংস শান্নবা চংলকখি। মহাক্কা জোনি বার্ষ্টোগা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ১১৩গী স্কোর হাপচিনখি।

ওপনর বার্ষ্টো রন ৮৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়াওখি। মখা তারকপা বেটচমেনশিং অদুনা সাম বিল্লিংসপু সপোর্ট পীবা ঙমদবদগী ফিভম শোকপা হেক্সিনখি। সাম বিল্লিংসকী মায়কৈদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নখ্রবসু মহাক্কী পার্টনরশিং অদুনা মরী মরী আউট ওইরকপা অদুনা মপুং ফাবা পার্টনর্সিপ অমা লৈখিদবনি।

মোইন অলি রন ৬, খৃস ৱোক্স রন ১০ অমসুং অদিল রসিদ রন ৫দা আউট ওইখি। রন ১০০ লাম্হোকপা ঙল্লবা সাম বিল্লিংস ইন্নিংস অদুগী ৫০শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা রন ১১৮ লৌরমখি। অদুবু মহাক্কী সিক্স ২ অমসুং ফোর ১৪ অরেম্বা তাদুনা ইংলেন্দ রন ১৯দা মায়থীহৌখি।

# দি লাইসেন্স কোচ এদ্যুকেটরশিংগী ওনলাইন কোর্স লোইশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী হৌখিবা দি-লাইসেন্স কোচ এদ্যুকেটরশিংগী ওইবা ওনলাইন রিফ্রেসর কোর্স অমা ঙসি লোইশিনখ্রে।

রিফ্রেসর কোর্স অদু এ আই এফ এফকী হেদ ওফ কোচ এদ্যুকেসন ওইরিবা সেবিয়ো মেদৈরানা লুচিংখি। অদুগা শক্তি চৌহাননা মতেং পাঙখি। নুমিৎ ৬নিগী ওইবা ওনলাইন রিফ্রেসর কোর্স অদুনা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা দি-লাইসেন্স করিক্যুলম অদু কোচ এদ্যুকেটরশিং অদুগা পুন্না নৌহৈননা রিভিজন তৌবনি হায়রি।

রিফ্রেসর কোর্স অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জোন মঙাদগী কোচ এদ্যুকেটর ৭০না শরুক য়াখি। নোর্থ জোনদগী এদ্যুকেটর ১১, ৱেষ্ট জোনদগী ৩২, সাউথ জোনদগী ৬, সেন্ট্রেল জোনদগী ১১ অমসুং নোর্থ ইষ্ট জোনদগী কোচ এদ্যুকেটর ১০না শরুক য়াখি।

কোচ এদ্যুকেটরশিং অসিনা দি-লাইসেন্স করিক্যুলম অদু নৌনা মকোক্তগী রিভিজন তৌরবা মরম্না মখোয় মখোয়গী জোনশিং অদুদা কোচশিংদা তাকপী তম্বীবগী থবক থৌরমশিং অদু হেন্না খুৎমাং চাওশিল্লগনি হায়রি।

শরুক য়াখিবা এদ্যুকেটরশিং অদুদি নোর্থ ইষ্ট জোন- লাঙম চাওবা, রেনেদি, কমল কান্তা, খলেন সিমলে, এলিসন খারসিন্টু, বোবি নোম্বেট, দেনি লালদুহোমা, ৱিল্লিম কোসো, সুরেন সেত্রি অমসুং কেন্দিব মরিংনি। সেন্ট্রেলদগী জয়াব্রতা, শ্যামনিক, অভে, অলটাব, কুন্তালা, ইন্দ্রানিল, সঞ্জয় গোপাল, য়াংসেঙ্ক, গৌতম অমসুং অকসেনি।

সাউথতগী প্রধ্যুম রেদি, অরিন্দম বিস্বাস, নরায়ন মেনন, চিত্রা গঙ্গাধরন, ঈ এস শ্যাম অমসুং দেরিল দিসুজানি। নোর্থতগী কেসব, মেহরাজ, সাজিদ, সুরিন্দর, পরিটোস, উত্তম, দিসা, প্রসান্ত, শক্তি, শান্তানু অমসুং অনুবনি।

ৱেষ্টতগী মোহন, মারিও, গেবিন, অগোষ্টিন, উমর, সেখর, মার্সেলিনো, মেমোল রোকি, বিবিয়ারো ফর্নান্দেজ, শক্তি চৌহান, সাফিজ, ওগষ্টো, রঘুবির, অব্দুল, কুন্দনচন্দ্র, য়ুসুব, গোদফ্রে, মার্সেলস জোন, সালিম পথান, দিনেস নায়র, মঙ্গেস দেসাই, সমির সেখ, বিবেক নাগুল, জেদি জোন, মিলাগ্রেস কারবালো, জুলিয়েট মিরান্দা, গোপাল কেগ, কে কে সাথিসন, বিনো জোর্স, দিপক সী এম, কলপনা দাস অমসুং নরেন্দ্র গঙ্গৱরনি।

# সাউথ কোরিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়া থোমাস এন্দ অবর কপতগী ৱিথদ্রো তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): দেনমার্কনা য়ুম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ৩দগী ১১ ফাওবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা সাউথ কোরিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াসু ৱিথদ্রো তৌখ্রে হায়না ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি সাউথ কোরিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা ৱিথদ্রো তৌখিবা অসি থারগা ওষ্ট্রেলিয়া, টাইৱান অমসুং থাইলেন্দ য়াওনা লৈবাক ৫ শুখ্রে।

লৈবাকশিং অসিনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং লৈরিবা মতম অসিদা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদুবু রিস্ক অমত্তা লৌহনবা পামদে হায়বগী ৱারোল ফোঙদোক্লরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দোনেসিয়ানা থোমাস কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি খ্বাইদগী য়াম্বা রেকোর্দ ওইনা ১৩রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লি। অদুগা নুপীগী টিমগী ওইবা অবর কপকী টাইটল অদুনা অহুল্লক লৌবা ঙল্লি।

দেনমার্ক লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবদা থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু চহীসিগী মে থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মফম অদুদা মী য়াম্না তিনবা য়াদবগী কাংলোন শাংদোকখিবগা লোয়ননা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু ওক্টোবরদা ওইনা মতম লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি, থাইলেন্দগী মায়কৈদগী হৌখিবা চয়োলদা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং মশা ফিট ওইদবা অমদি কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা হিরমশিংনা মরম ওইরগা ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

# কার্লসন অমসুং পেরেজ চেম্পিয়ন্স সোদাউন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টতা মাংজিল থামিন্নরি





ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী): মালেমগী মমিং লৈরবা হান্না চেছ শান্নরম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক শান্নরিবা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী অপুনবা ওনলাইন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স সোদাউন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপা ফাওবদা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর লৈনিয়র দোমিনগেস পেরেজনা মাংজিল থামিন্নরি।

ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না পুক্নিং চীংশিংন্নিংঙাই ওইবা মতাং অদুদি চহী ১৬কী মতুংদা হান্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা রসিয়াগী গেরি কাস্পোরোব অমসুং হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা মেগনস কার্লসনগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা দ্রো চৎখিবা অদুনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না শান্নরোয় ১০না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা লম্বা তৌনগনি। অহানবা রাউন্দদা গেরি কাস্পোরোবনা ইরানগী আলিরিজা ফিরোজাবু মায়থীবা পীখি। লোয়ননা কার্লসননা ফ্রান্সকী লাগ্রেবপু থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা রাউন্দদা কাস্পোরোব অমসুং কার্লসন লম্বা তৌনরকপদা মুভ ৫৫ চুপ্না লম্বা তৌনরবা মতুং দ্রো চৎখি। অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী করোনানা ফ্রান্সকী লাগ্রেবপু মায়থীবা পীখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা রাউন্দশিং পুম্নমক দ্রো চৎখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা কাস্পোরোব অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় পিটর স্বিদলরগী মখুৎতা মায়থীবা নংখি। কার্লসননা য়ু এসকী করোনাবু থোইখি। দোমিনগেজনা ফিরোজাবু মায়থীবা পীখি। নকামুরাবু লাগ্রেব থোইখি। অদুগা অর্মেনিয়াগী অরোনিয়ন অমসুং য়ু এস এগী ৱেসলিসো দ্রো চৎখি। কার্লসন অমসুং পেরেজ পোইন্ট ২.৫/২.৫ ফংমিন্নদুনা মাংজিল থামিন্নরি।

# টোপ চীংথা এফ সী ফুটবোল ট্রেনিং কেম্পতা মহৈরোই লোইশঙ কয়ানা ফুরিট অমদি চানবা মতেং পাংখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচএনএস): টোপ চীংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসন ইম্ফাল ইষ্টনা মমাঙ থাগী ২৪দগী হৌরগা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী হান্না ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইরম্বা সুরজ খাঙেম্বমনা স্পোন্সর তৌদুনা টোপ চীংথা এফ সী ফুটবোল ট্রেনিং কেম্পকী ঙসি ১৯নি চনবা নুমিৎতা কে এস এগী সেক্রেটরী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শান্নরোয়শিংদা কে এস এগী মিংদা ফুরিট অমমম খুদোল তমখি হায়না টোপ চীংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল সেঞ্জম মঙলেম্বনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা এমসু হেদ ক্বার্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম তোম্বা, কে এস এ হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরী জেনরেল সেরাম হেমজিৎ, এমসুগী হান্না ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইরম্বা এল ওজিৎ, এম এস এফকী হান্না ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইরম্বা বোইনাও অমসুং দেসামগী হান্না ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইরম্বা বিরচন্দ্রনা ট্রেনিং কেম্প অদুদা লাক্তুনা টোপ চীংথা এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী চাননবগী মখল য়াল্লবা পোৎলমশিংসু খুদোল তমখি। অসিগুম্বা মহৈরোয়গী লুপশিংগী মীহুৎশিংনা শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংবীবগীদমক টোপ চীংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**নাওরেম জোহনসন, ককচিং মখা লৈকায়**

লৈঙাক্না মতম-মতমগী ওইবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎকী মরক্তসু তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা লেপ্পা লৈতন ষ্টেট অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা পুরক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনবিরি। চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বী অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী মফমশিংদা লৈরিবা অৱাৎ-অপা কয়া অমসু পায়খৎপিবা থেংনরি। মসিমক য়াম্না অফবা লৈঙাক্কী খোঙথাং অমনি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিং চাওখৎনবা পায়খৎপীরিবা থবক অসিগী মনুং চন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কম্যুনিটি হেল্ট সেন্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী থাক্তা ওনখৎপীরবদি মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীয়ামগী খুদোংচাবা হায়বদু ওইগনি। মরমদি মফম অসিদগী খজিক অরুবা অনাবা অমা য়াওরকপা মতমদা ইম্ফাল তান্না অনা-লায়েংনবা চৎনবা হোৎনবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়কৈ অসোমগী মীশিংনা থেংনরি। হৌজিক লৈরিবা অসি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীয়াম্না অনা-লায়েংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লরি। দোক্টর মশিং শুনা লৈত্রি, এম্বুলেন্স, মেদিকেল ইক্যুপমেন্টশিংসু মতিক চানা লৈত্রিবা অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু হায়জরি।



**কৈথেল্লাকপম লন্দন, পৌরাবি ইম্ফাল ইষ্ট**

প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিং, লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদবশিং অমদি নোংমগী থবক শুদুনা হিংজরিবা মীওইশিং হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরে। প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবশিং থাগী তোলোপ ফংনদ্রে। প্রাইভেট স্কুল খরদনা তোলোপ পীদ য়াদবগী মওংদা শুপ্পগী লুপা ১০০০ অমদগীনা লিশিং ২০০০ ফাওবা পীনরি। মসিসু মখা লাক্কদৌরিবা থাশিংদা ফংগনি হায়বগী থাজবসু লৈশিল্লকত্রে। লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা থবক তৌরিবশিংদি হৌজিক্লা কোভিদ-১৯ লাকপদগী থবক চৎত্রবসু অদুমক তোলোপ ফংলি। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি ৱারবা মীয়ামগী খনবিদুনা মখোয়না ফংলিবা তোলোপ অসিদগী পার্সনটেজ খরদং ওইরবসু ককপীদুনা ৱারবা মীয়ামদা মতেং পাংনবা শীনবিরবদি অমুক্কা হেন্না অপেনবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংনসু পুকচেল চাওথোক্তুনা লৈঙাক্না হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা থবক তৌবদা খজিক থেংথরবসু পুকচেল চাওথোক্তুনা মীয়াম মাংদা থোকপীরক্তুনা মতেং পাংহন্নিংই। ৱাফম অসিগী মতাংদা লান্নসু লৌবিগনু ঐখোয় পুম্নমক হীংমিন্নবা য়ানবগী ৱাখল্লোলদা হায়জবনি। মদুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com